# লাইক মাইন্দেদ গ্রুপনা এম দি রহমতুলাগী ইমুংদা শেল অমদি চান-থক্নবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে




ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচ এন এস) :

লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা লেপ্তুনা লমদম অসিগী অৱা-অনা তারবা অমদি কা হেন্না খুদোংচাদ্রবশিংদা তেংবাঙলকপগী ৫০রকশুবা তেংবাঙ ওইনা ঙরাং লাইবক থীবা থৌদোক অমদা য়ুম মৈ চাকখিবগা লোয়ননা শোকপদগী হৌজিক হৌজিক রিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরিবা মীতৈ পাঙল এম দি রহমাতুলা (৭২) অমদি মহাক্কী মচানুপা এম দি অবোগী ইমুং মনুংদা লুপা লিশিং ১২, চেঙ বেকখায় ২, শেৎন-ইন্নবা ফিরোলশিং, নোংমদা চঙদবা যাদ্রবা অতৈ পোৎলমশিং খুদক্কী ওইনা তেংবাঙখ্রে হায়না লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, এল এম জি মণিপুরগী এদভাইজরি বোর্দ মেম্বর রোবিন্দ্রো নাতেংবনা লুচিংলিবা তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অদুদা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবম, পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম অমদি গ্রুপ অসিগী মেম্বর জোলিকুমার থোঙাম, শরত শৌগ্রাকপম, কে কে ৱাহেংবম, ডা. মাইবম ইতীন, সোবিতা মাইবম, ডা. ইনাওবা নোংমাইথেম, বোইনাও মাইবম, বিসেশ্বর নিংথৌজম, সুরেন্দ্রো নিঙোম্বম অমদি কেনেদিনচিংবা মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

ঙসি চৎখিবা তেংবাঙ খোঙচৎ অদুগী মতাংদা গ্রুপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা ফোঙদোকখিবদা, এল এম জি হায়রিবা হ্যুমেনিটেরিয়ন সর্ভিস গ্রুপ অসি হৌখিবা কুমজা ২০২১গী কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা লমদম অসিগী কা হেন্না অৱা-অনা তারবশিংদা অঙম্বা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন্দা লিংখৎখিবা গ্রুপ অমনি। ঙসিদি চহী ফাদ্রিবা গ্রুপ অসিনা অৱা-অনা তারবা ইমুং ৫০দা অঙম্বা মতেং পাংবা ঙমখ্রে। য়াম্না নুংশিবা মীকুপ অমা হায়রগদি ঙসি গ্রুপ অসিগী ৫০রকশুবা তেংবাঙ ওইনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীতৈ পাঙল অমগী অৱাবা তারবা ইমুং অমদা মতেং পাংবা ঙমজবা অসিনি। মমাঙদা ৪৯লকশুবা ওইনা পাংখিবা তেংবাঙশিং অদু মীতৈ ইচিল-ইনাওশিংগী ইমুংশিংদা ওইখি। ঙসিগী তেংবাঙ থৌরম অসিনা খুন্দামিন্নরিবা মীতৈ অমদি মীতৈ পাঙল ইচিল-ইনাওশিংগী মরক্তা হেন্না নুংশিবা পুরকপদা অচৌবা মতেং ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা ফোঙদোকখিবদা, এল এম জি হায়রিবা গ্রুপ অসি কাঙলুপকী খেন্নবা, লাইনিংগী খেন্নবা লৈতবা অমদি পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগা খুৎশম্নদবা গ্রুপ অমনি। লৈমিন্নরিবশিংগী মরক্তা খুদোংথিবা অমদি অৱাবা তারক্লবা মতমদা য়েংদুনা তুমীন্না লৈথোকপগী মহুৎতা অৱাবা তারিবা ইমুং অদুদা খুদক্তা চঙশিন্দুনা মতেং পাংমিন্নসি। ঙসি গ্রুপ অসিনা খুন্দামিন্নরিবা মীতৈ পাঙল ইচিল-ইনাও অমগী ইমুং অমদা মতেং পাংবা ঙমজরিবা অসি কাঙলুপকী অমদি লাইনিংগী খেন্নবা লৈতবা গ্রুপ অমনি হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি। মরম অসিনা গ্রুপ অসিদা লমদমসিগী মীয়াম্না থাজবা থন্বীদুনা সপোর্ট তৌবীয়ু। লোয়ননা গ্রুপ অসিদা য়াওবীদুনা থা অমদা শুপ্নতগী লুপা ১০০/১০০ দং লমদমসিগী কা হেন্না ৱারবশিংগীদমক কখোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী তেংবাঙ অদুদা অপেনবা পোক্লদুনা এম দি রহমতুলাগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা গ্রুপ অসিবু থাগৎপা ফোঙদোরকখি। লোয়ননা তেংবাঙবগী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিং অমদি য়ুম অদুদা লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা পুন্না মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা হৌজিক হৌজিক রিমস হোস্পিটালগী আই সী য়ুদা লায়েং চথুরিবা এম দি রহমতুলা অমদি এম দি অবোবু য়াম্না থুনা ফহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজখি হায়রি।

# লৈঙাক্কী থৌওংদা প্রাইমারী ওজাশিং পেন্নদ্রে



ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচ এন এস) :

এদ্যুকেসন (এস)কী মখাদা লৈরিবা প্রাইমারী ওজাশিংগী ৭শুবা পে চৎনহল্লু হায়দুনা য়ুনাইটেদ প্রাইমারী টিচর্স এসোসিএসন মণিপুর (য়ু পি টি এ এম)না য়াম্না ঈংনা তপ্না খোঙজং চঙশিল্লকপা অমদি অমুবা বেজ থেৎতুনা ওজাশিংনা ক্লাস চঙদুনা মহৈ তন্বীবা লেপ্তুনা চথুরক্তুনা ঙসিগা থানা নুমীৎ ১৫নি শুরে। অদুবু ঙসিফাওবা মরী লৈনবশিংনা করিমত্তা হায়রক্তবদগী মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী প্রাইমারী ওজাশিংনা ঙসিসু অমুবা থেৎতুনা ক্লাস হৌদ্রিঙৈদা স্কুল মমাঙদা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

য়ু পি টি এ এমগী সেক্রেটরি বিবটসু সলামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংদা আর ও পি ২০১৯ চৎনখ্রবসু এদ্যুকেসন (এস)কী মখাদা লৈরিবা প্রাইমারী ওজাশিংদি ঙসিফাও চৎনহন্দ্রি। মসিদা পেন্দদুনা ব্লেক বেজ থেৎলগা ক্লাস লৌবনি। মসিদা করিমত্তা হায়বীরক্তবা অসি ওজাগী শিনফমদা লৈরিবশিং অসি লৈঙাক্লা অপঙবনি হায়না খন্দুনা মীরাইবীবা মাল্লি। মরম অদুনা ঙসিগী ওইনা ক্লাস চঙদ্রিঙৈদা স্কুল মমাঙদা অমুবা বেজ থেৎতুনা য়ানিংদবা উৎপনি হায়রি।

তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংবু তাকপী তন্বীরিবা খুন্নাই অমগী মায়ওন লেপ্পদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা ওজাশিংনা চহী অনী হেন্না লাইরিক তম্লক্ত্রবা মহৈরোয়শিংগী রাইট মৎতুনা মখোয়বু তাকপী তন্বীবা লেপ্পা হায়বসি পামজদে। অদুবু প্রাইমারী ওজাশিংবু মীরায়বীবগুম আর ও পি চৎনহন্দনা থন্বীবা অসিদা পেন দবা ফোঙদোকপা ওইনা তাকপী তন্বীবগী থবক্তসু অপনবা পীদনবা হায়দুনা ব্লেক বেজ থেৎলগা লাইরিক তাকপীবগী খোঙজং অসি চঙশিনবনি। মসি ফাওবদা মরী লৈনবশিংনা করিমত্তা হায়রক্তবা অসি ওজাশিংবু করি ওইনা উবীরবনো হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচ এন এস):

মণিপুর পিপলস পার্টিগী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ওইনাম জুগিন্দ্রোনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না মণিপুর পিপলস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি অমদি মীদিয়া এন্দ পব্লিসিটি দল্লিয়ু ইবোতোননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মণিপুর পিপলস পার্টিগী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ওইনাম জুগিন্দ্রোনা মনুং মতম চাদনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদা মণিপুর পিপলস পার্টিগী প্রসিদেন্ট চিংখাম শ্যামজাইনা লুচিংদুনা পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং পার্টি অসিগী মরুওইবা থৌমী কয়াগা পুন্না মণিপুর পিপলস পার্টিগী ওফিসতা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক থৌনিজখি। লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকপা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইরমদম মণিপুরগীদমক পাঙথোকপীরমখিবা থবকশিং শীংথাখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা নুমীৎ হুম্নী পার্টিগী ফিরাল তঙ্খায় চিংথদুনা অৱাবা ফোঙদোক্কনি হায়রি।

## ৱারী লীবা ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচ এন এস) :

রেপর্টরি ওফ ৱারী লীবা মণিপুর, ইম্ফাল অমদি মসিগী ব্রহ্মপুত্র ভেল্লি ব্রাঞ্চ অসামগা খুৎশম্ননা পুন্না শীন দুনা নুমীৎ ৫নি চুপ্পা চথুরকখিবা ৬লকশুবা ৱারী লীবা চৈরাও ফেষ্টিভেল ঙসি হোজাইগী বিষ্ণুপুরদা লৈবা হরি মন্দিরদা লোইশিনখ্রে হায়না রেপর্টরি ওফ ৱারী লীবা মণিপুরগী দিরেক্টর তখেল্লম্বম শ্যামকহ্নাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরদগী ৱারী লীবা ৪, ব্রহ্মপুত্র ভেল্লি ব্রাঞ্চ হোজাই অসামদগী ৱারী লীবা ৮ অমদি বরাক ভেল্লি কছারদগী ২ পুন্না ৱারী লীবা ১৪না শরুক য়াখি। অসাম হোজাই গৌরনগরদগী কোন্থৌজম মোহেননা অরোইবা ওইনা ৱারী লীখি। ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা উশম কুঞ্জবিহারী, ফোর্মর প্রসিদেন্ট মণিপুর সাহিত্য পরিষদ অসামনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি রেপর্টরি ওফ ৱারী লীবা ব্রহ্মপুত্র ভেল্লি ব্রাঞ্চ হোজাই অসামগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম বিষ্ণুনা থৌরম মপু ওইখি। ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াখিবা ৱারী লীবা আর্টিষ্টশিংদা সর্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

ঙসিগী লোইশিনবগী থৌরমদুদা অথোইবা ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াখিবা রেপর্টরি ওফ ৱারী লীবা মণিপুরগী দিরেক্টর তখেল্লম্বম শ্যামকহ্নাইনা ফোঙদোকখিবদা, চহী খূদিংগী পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল অসি হেন্না চাউথোক্লা মফম হোং-হোংদুনা অসাম খক্তা নত্তনা ত্রিপুরাগী মৈতৈশিংনা খুন্দারিবা শরুকশিংদা ৱার্কশোপ কম ফেষ্টিভেল ওইনা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

# ইপা কৌব্রু কাদুনা মায় পাক্লা খুরুমজরুবদা তেংবাঙবীরকখিবা পুম্নমকপু এফ ঈ দল্লিয়ুনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি : সুন্দর

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচ এন এস) :

থা অসিগী মে ৩দা ইপা কৌব্রুগী চীংদোলদা মায় পাক্লা কাবগা লোয়ননা কৌব্রুগী চীংদোলগী অকোয়বা মফমশিংবু শেংদোকপগা লোয়ননা উ চারা থাখিবা অমদি ইপা কৌব্রুবু খুরুমজবা চৎপগী খোঙচৎ অদুদা মতেং পাংবীরকখিবা পুম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না ফ্রেন্দলি ইনভাইরনমেন্টেল ৱারিয়র্স (এফ ঈ দল্লিয়ু)গী সেক্রেটরি কাঙবম সুন্দরনা ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বাবুপারাদা লৈরিবা ফ্রেন্দলি ইনভাইরনমেন্টেল ৱারিয়র্স (এফ ঈ দল্লিয়ু)গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ইপা কৌব্রু খুরুম্বগী খোঙচৎ অদু এফ ঈ দল্লিয়ুনা শীল্লগা অমদি অমুকোগী মতেংগা লোয়ননা মায় পাক্না চৎখিবনি। কৌব্রু খুরুম্বগী খোঙচৎ অদুদা ফ্রেন্দলি ইনভাইরনমেন্টেল ৱারিয়র্স (এফ ঈ দল্লিয়ু)গী মেম্বর নুপা ৩১ অমদি নুপী ১৯না পুন্না মীওই ৫০না শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না এফ ঈ দল্লিয়ুগী মেম্বরশিংনা কৌব্রু লাইফম্লেন্দা প্লাষ্টিক্কী অমোৎ-অকায়শিং শেংদোকখিবগা লোয়ননা উ চারা পাম্বী কয়াসু থাখি।

লোয়ননা ইপা কৌব্রুবুসু খুরুমজখি। মমাঙ চহীদসু শিরোই লিলি য়েংবগী খোঙচৎ অমসু চৎখি। হন্দক্কী খোঙচৎ অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা জিরিবামগী এম এল এ, এম দি অসবউদ্দিন অমদি মহাক্কী মনাওনুপানা চাউনা মতেং পাংবীরকখি, তোঙান তোঙানবা লূপশিংনসু, লন্নাই মীওইশিং অমদি অমুকোগী মীওইশিংনসু অচৌবা মতেং পাংবীদুনা ইপা কৌব্রু খুরুম্বগী খোঙচৎ অদু মায় পাক্না চৎপা ঙমখিবনি। অমুকোনা এফ ঈ দল্লিয়ুগী মেম্বরশিংবু কৌব্রু কাফম মফম ফাওবা থিনবীখিবা অদুগীদমক্তসু অমুকোগী থৌমীশিংবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। হন্দক চৎখিবা খোঙচৎ অসি ইপা কৌব্রু খুরুমজবগা লোয়ননা মহৌশাগী খল কন্নবগী পান্দমদা চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অমসুনি হায়না পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# স্কুলদা রেগ্যুলর সেসন হৌনবগীদমক সোসল সর্ভিস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচ এন এস) :

কুমজা ১৯৯০দা লিংখৎখিবা লাঙ্গোলদা লৈবা ৱাংদৈ মীতৈ লৈকায়দা ৱাংদৈ মীতৈ লৈকায় দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা এস এস এগী মীৎয়েং মখাদা নৌনা শাখিবা স্কুল অসি চহী অসিদগী রেগ্যুলর সেসন ওইনা হৌনবা স্কুল অমসুং স্কুল অসিগী অকোয়বদা খুলগী ক্লব অমসুং মীওইশিংগা খুৎশম্নদুনা সোসল সর্ভিস কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ৱাংদৈ মীতৈ লৈকায় দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, মোদেল ভিলেজ অসি কুমজা ১৯৯০দা নাগালেন্দদা লৈরুবা মীতৈ মচাশিংনা নাগা নিঙোল লৌরগা মণিপুরদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈনবা নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা সলাম ইনাওচানা ফার্ম তৌদুনা লৈরম্বা মফম অসি কম্মিটি অসিদা শীন্নবীবদগী য়ুম্নাম ৩৫ রোম খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরকখিবনি। ঙসিদি খুল অসি মপুং ফানা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎলক্লি। খুল অসি উরিপোক এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবনি। মফম অসিদা কম্ম্যুনিটি হোল অমা, প্লেগ্রাউন্দ অমা, সিঙ্কিং ট্যুব ইন্সটোল তৌদুনা চান-থক্লবা ঈশিং ফংলি। খুল অসিদা নৌরিবা অঙাংশিংবু মহৈ-মশিন তম্নবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী জেদ ঈ ও জোন ৱানদা হায়জরুবদা স্কুল অসি শাখিবনি। চাউরাক্লা চহী ২ রোমসি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লৈখিবদগী স্কুল শাবা লোইরবসু রেগ্যুলর ক্লাস হৌবা ঙমদনা লৈরকখিবনি।

চৎলিবা চহী অসিদা রেগ্যুলর ক্লাস হৌনবা জেদ ঈ ওগা তান্নরগা সেসন হৌবা য়ানবা স্কুল অমসুং মসিগী অকোয়বা মফমশিং শেংদোক্নবগীদমক সোসল সর্ভিস কেম্প অসি পাঙথোকখিবনি। খুল অসিদা মখোয়না মীতৈগী কলচর আইদেন্টিটি ঙাক্তুনা লৈ। নাগালেন্দগী তোঙান তোঙানবা কম্ম্যুনিটিগী নিঙোলশিং আও, অঙ্গামি, সেমানচিংবা কয়া লৈরি। ইন্টিগ্রিটিগী অশেংবা শক্তম শাগৎপগী ভিলেজ অমা হায়বদু ওইরি। লোয়ননা স্কুল অসি মোদেল স্কুল অমা ওইবা ঙম্নবা কম্মিটি অমসু শেম্লগা থবক তৌবা হৌরগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

# অঙাং লৈবা ইমুংদা চুরূট

## লৌশিং পুক্কে

## থকপীগনু, অঙাংশিংদা কা হেন্না মখল কয়াগী অনাবা ওইহল্লকই



কনাগুম্বনা ইমুংদা মৈখু শীজিন্নরবদি ইমুংগী অঙাংশিং মশা ফৎতে অমসুং তোয়না নাগল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ সিন্সিনাতিগী এসলি মেরিয়ানোসনা হায়খি, চুরূটকী মৈখুদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা কেমিকেল কয়ামরুম য়াওই। মরম অদুনা ইমুং অমত্তদা মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিংগা পুন্না লৈমিন্নবা মতমদা অঙাংগী মশা শোকচিল্লকই।

নেসনেল সর্ভে ওফ চিলদ্রেন’স হেল্‌থকী শরুক অমা ওইনা কুমজা ২০১১-২০১২ দা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংদগী হৌরগা মশাগী চহী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী মরমদা কুপ্না থিজিনখি। মদুদা মৈখু শীজিন্নবা মীওইগা ইমুং অমত্তদা পুন্না লৈমিন্নবা অঙাংশিং মশা ফত্তে অমসুং তোয়না নাগল্লি হায়বা খঙলকপনি। মরম অদুনা অঙাং লৈবা ইমুংদা য়ারিবমখৈ মৈখু শীজিন্নরোইদবনি হায়বা পাউজেল অসি শন্দোক্তুনা মীপুম খুদিংমক ৱাখল তাহনবা মথৌ তাই হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি হন্দক্তা বালটিমোরদা পাঙথোকখিবা পেদিয়াট্রিক একাদেমীক সোসাইটিজগী মীফমদা পুথোরকখিবনি।

মৈখু শীজিন্নবনা হকচাং শোকহল্লি হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। বিরি ওইগেরা, হূকা ওইগেরা মৈখুবু শীজিন্নরবদি হকচাং অদুম্মক শোকই। অমেরিকান লং এসোসিএসন (এ এল এ) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, চুরূটতা তোঙান তোঙানবা মচল ৬০০ লোম য়াওই। হায়রিবা পোৎলমশিং অদুনা মৈ চাকপা মতমদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেল ৭০০০ হেন্না থাদোরকই। হায়রিবা কেমিকেলশিং অদুগী মনুংদা ৬৯ লোমদি কা-হেন্না হকচাং শোক্লিংঙাই (পোইজনস) ওইবা মরম্না কেন্সর ওইহল্লকপা য়াই।

নেসনেল কেন্সর ইনষ্টিট্যুটকী রিপোর্ট অমনসু চুরূটকী মৈখুদা কার্সিনোজেন, টৌক্সিন অমদি হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম য়াওই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী রিপোর্টনা হায়খি, চুরূটতা নিকোটিন কৌবা ৱাখল খনবগী মওং মতৌ হোংহনবা ঙম্বা দ্রগ অমা য়াওই। কনাগুম্বা মীওই অমনা চুরূট হেক থকপগা মীৎকুপ খরগী মনুংদা নিকোটিননা ব্রেন য়ৌখ্রগা সেন্ট্রেল নরভস সিষ্টেমদা য়ৈবদগী হকচাং কনখৎপা মালহল্লি। অদুবু ঙহাক্কী মতুংদা হকচাং চোকথরকপগা লোয়ননা চুরূট থক্লিংবগী অপাম্বা পোকহল্লকই। মতৌ অসুম্না নিকোটিনদা লাইচুবা মীশক অমা ওইরক্তুনা মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা ঙমদবা মীশক হায়বদু ওইরকই।

অমরোমদা, চুরূটকী মৈখুদা য়াওবা কেমিকেলশিংনা লংস শোকহনবদগী নিংশা-শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়না কয়া ওইহল্লকপা য়াই। কনাগুম্বা মীওই খরদদি লংসতা য়াওবা নুংশিৎকী খাউ অমাঙ-অতা থোক্তুনা ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিভ পলমোনরি দিজিজ (সী ও পি দি) ওইহল্লকপা য়াওই। লংসকী ট্যুবতা য়াওবা লাইনিং শোকচিল্লকপদগী ক্রোনিক ব্রোংকাইটিস ওইহল্লকপসু য়াই। মতম খরা হেন্না শাংনা মৈখু শীজিন্নরগনা লংস কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না অয়াম্বা মতমদা মৈখু শীজিন্নবা মমা-মপাগী মনাক্তা তোয়না লৈবা অঙাংশিং লোক থুংগল্লি, নিংশা-শ্বর হোনবদা খেবগী মখোল থোকই, নাকোং লাইখুন তৌগল্লি অমসুং ন্যুমোনিয়া অমদি ব্রোংকাইটিসকী রিস্ক ৱাংই হায়রি।

মৈখু শীজিন্নবনা কার্দিওভাস্ক্যুলর সিষ্টেম মাঙ তাকহল্লি। নিকোটিননা হকচাংদা হেক য়ৈবগা ব্লদ সুগর ৱাংখৎলকপা মরম্না হকচাং কনখৎপা মালহল্লি। অদুবু ঙাইহাক্কী মতুংদা হকচাং চোকথরকপা মরম্না হেন্না হেন্না চুরূট থক্লিংবগী অপাম্বা পোকহল্লি। জর্নেল ওফ অমেরিকান মেদিকেল এসোসিএসন (জে এ এম এ) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মৈখু শীজিন্নবনা ঈ উতোং খুজিলহল্লি, ব্লদ প্রেসর ৱাংহল্লি, ঈ উতোং মরিল চৎহল্লি অমসুং কোলেষ্টরোলগী চাং হেনগৎহল্লি। মসিনা মরম ওইরদুনা হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

চুরূটকী মৈখুদা য়াওবা কেমিকেলশিংনা উনসাগী মওং মতৌ হোংহনবগা লোয়ননা কুচু শেংহন্দে, উনশা খুইহল্লি অমসুং থুনা অহল ওইশিলহল্লি। মতম শাংনা মৈখু শীজিন্নবনা য়ারী-য়াখোঙগী লায়না ওইহল্লকপগা লোয়ননা শ্বর মনম নমথীহল্লি। চীন, লৈ, খৌনাও, ইসোফেগস, কিদনি অমদি পেনক্রিজদা কেন্সর তৌরকপা য়াবগী রিস্কসু হেনগৎহল্লি।

মৈখু শীজিন্নবনা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল শোন্থহনবা মরম্না নুপা-নুপী য়ুম্বান পুন্সিদা অকায়বা থোকহল্লি। নুপীনা মৈখু শীজিন্নরবদি চহী নৌনা থাগী খোঙকাপ লেপখিবগা লোয়ননা সর্ভাইকেল কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। মীরোনবী নুপীশিংনা মশামক মৈখু শীজিন্নদ্রবসু চুরূট থকপা মীগী মনাক্তা লৈরবদি অশোয়বা অঙাং পোক্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# মীওইবগী মরক্তা অনেম-অৱাং চাউনা থোকহল্লে : ৱুম

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচ এন এস) :

লৈঙাক্কী থবক তৌবশিংনা ৬শুবা অমদি ৭শুবা পে কম্মিসন ফংনখ্রবসু শিন্মীশিংগী খুৎশুমলদি অদুম্মক পীক্তুনা লৈবনা অমদি পোৎ-চৈগী মমলদি নোংম-নোংমগী তাঙখৎলকপনা খুন্নাই অসিদা হিংমিন্নরিবা মীওইবগী মরক্তা অনেম-অৱাং চাউনা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না ৱার্কর্স য়ুনিয়ন মণিপুর (ৱুম)গী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম অনাদানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

শিন্মীশিংগী নুমীৎকা মরী লৈননা থাদোরকখিবা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি ঙসিমক শিন্মী অমনা নোংমদা ফংলিবা খুৎশুমল অসি অন-স্কিলদনা লুপা ২২৫, সেমি স্কিলদনা লুপা ২৪৮, স্কিলদনা লুপা ২৮৩ পীরি। অসিগুম্বা খুৎশুমলগা লোয়ননা হিংলিবা শিন্মীশিংনা ৬শুবা অমসুং ৭শুবা পে কম্মিসন ফংখ্রবা ওর্গনাইজ শিন্মীশিংগা অনীগী মরক্তা চাউনা খেন্নদুনা লৈরি। মসিগী মথক্তা পোৎ-চৈগী মমল লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপনা অন-ওর্গনাইজ সেক্তরদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরে। লোয়ননা থাক ৱাংনা য়েংবীবগী মমিসু তাদ্রি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।০৫।২০২২ ইং, লৈবাকপোকপা;
কালেনগী ৯ পানবা।

**মেষ:** চিংনবা অমদি মহু চাওবনা তাথিবা, ইৱাং তৌবনা মাঙজবা অমদি হোয়া ফবনা নচা-ননাইনা ৱারৌবা লৈরসু অনৌবা থৌরম পাঙদ্রদি মাঙবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** লাইবক ফবা ৱাৎলসু পাইরক্কী লৌশিং শোল্লসু অমদি মীচং হন্থরবসু লৌশিং চাওবা মীগী ৱা লৌরগা থৌনা ফুদোক্লা থৌ পাঙলদি শোইদনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিথুন:** খুরৌ থাংবদি হান্নগুম লৈগনি অমদি খাঙবা কন্দবা তৌগনু। মীংচৎ ফংগদবা, শিনবা লাঙবা হৈবা, মরুপ মপাংগী মতেং ফংজবা, শেল থুম ফংবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** য়েক্লবা লৈরল্লসু মাঙখিনি, অঙম্বনা চানবীগনি, অচুম্বনা লাকচবা নুমিৎনি, অফবা লৌশিং তানশিনবা ফংদবা নুমিৎনি। য়েৎনবগী কান্নবা লৈরোই-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- লানগে খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** হরাওবা নুংঙাইবা, শেন্দোং চাওনা ফংজবা, লৈফম নুংঙাইবা কনবা ঙম্বা, মীয়ামগী মতেং ফংজবা অমদি অনৌবা থৌরমদগী হেন্না কান্নবা ফংবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল য়াংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** ঈকাই নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংবা য়াই-ৱাঙাং শাজৎ হৈয়ু, খুৎ চাওবনা মরম চাদনা চাদিং হেনগনি। নংগী ওইবা মীগী ৱা তাবা, থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেঞ্জিন্না পামশনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**তুলা:** য়েৎনবা অমদি অফা-অপুন নংবা য়াবা থবক্তা য়াওরুনু, অখং অহৈসু শারুনু। অঙম্বনদি চানবীগনি, থবক পাঙগনি, শেন্দোং চাওনা ফংজবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** অঙম্বনা চানবীবা, অনিংবা থবক পাঙবা ঙম্বা, ললোন ইতিক্তা মীকোক থোংনা কান্নবা নুমিৎনি। পাউসু নুংঙাইবা তাগনি, অনৌবা মরুপ মপাং ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** থৌনা লৈউ, নচা-ননাইগী লমদা চাওনা মায় পাক্কনি, চাদিং হন্থহনবা ঙমগনি, অফবা মীংচৎ ফংগনি। অঙম্বনদি তাথি, ঙক কনগনু, ৱা তুপথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর:** নকন্থিনা নরল মাঙহঞ্জবা, ৱাঙাং হৈতবনা ইকাইবা নংবা, ৱানোম থৌনোম কান্নদবা লৈ। অনৌবা থবক থৌরমদি পাঙদবা ফৈ। লাইগুরুগী ৱাতমক লৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**কুম্ভ:** নীংবা থুংজগনি, শেন্দোং চাওগনি-খুৎচাও থাবা মতাং চাগনি, লৌশিংনা লন তানশিনবসু ঙমগনি। য়েক্লবা ময়েং তাখিনি। অফা-অপুনগী থবক্তদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন:** মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। ৱাখল লৈ, মীচং হেনগৎকনি, মীয়াম্না পাম্নগনি অমদি নুংঙাইজগনি। য়েক্লবনা নরল মৎনবা হোৎনরক্কনি, নচাক নরল চেকশিঞ্জৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# নিরুপা সেঞ্জনবম ঈকায়খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচ এন এস) :

অজাদি কা অম্রিট মহোটসবকা মরী লৈননা অগরতলাদা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট ফেষ্টিভেলগী থৌরম অমদা মণিপুরদগী নিরুপা সেঞ্জনবমবু ৱিমেন এচিভর অমা ওইনা শকখঙখিবগা লোয়ননা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়না মাওলকেকি ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, অজাদি কা অম্রিট মহোটসবকা মরী লৈননা অগরতলাদা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট ফেষ্টিভেলগী থৌরম অদু রোল ওফ ৱিমেন ইন দি দিভেলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্ট হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ দিভেলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী জোইন্ট সেক্রেটরি হরপ্রিট, নোর্থ ইষ্টর্ন কউন্সীলগী মেম্বর অঞ্জনকুমার গোগোই, ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর জিষ্ণু দেব বর্মা অমদি তোঙান তোঙানবা মরুওইবা সী এস ওগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি। নিরুপা সেঞ্জনবমবু মহাক্না পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিংগী মতুংইন্না ঈকায়খুম্নখিবনি হায়রি।